## তামৈ সব দিভিজনগী কোনফুং ভিলেজদা খুঙ্গং চৎসি প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

*তমেংলোং, মে ২ ঃ*

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ সব দিভিজনগী মনুং চনবা কোনফুং ভিলেজদা ঙসি গো টু ভিলেজ–খুঙ্গং চৎসি প্রোগ্রাম লোকেল এম এল এ অমদি এন পি এফ মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অৱাংবু ন্যুমাইনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এ দি সি তমেংলোংগী চেয়ারমেন নামশিনরৈ পানমৈ, মেম্বরশিং লেঙপিবৌ, রামনিংলে, মণিপুর সরকারগী কম্মিস্নার (ফিসরি) এস জি পামৈ, গো টু ভিলেজ মিসনগী দিষ্ট্রিক্ট ইন চার্জ টি পামৈ, এ দি এফ তমেংলোং লমাবম কিরনকুমার, এস দি ও তমেংলোং কচমথাই ফৈগা গাংমৈ, এস দি ও তামৈ রোবার্দসন, এস দি ও তৌশেম, ফুফোই আইমোল অমদি এস দি পি ও তমেংলোং জোসিয়াশু শরুক য়াখি।

অৱাংবৌ ন্যুমাই এম এল এনা ভিলেজ চীফ, লুচিংবশিং, সিভিল সোসাইটি অমসুং এন জি ওশিংদা সরকারনা পায়খৎলিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং মায় পাক্লবা হোৎনবদা হেন্না শরুক য়াবিনবা হায়খি। ইং তপ্পা অমসুং চাওখৎপা মফম অমা ওইনবা শেমগৎ শাগৎপদা মীয়াম্না দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংদা মতেং পাংবিনবসু খঙহনখি।

খুঙ্গং চৎসি হায়বা মিসন অসিগী মখাদা বেঙ্কিং, লম্বী, ইলেক্ট্রিসিটি, টেলি কম্ম্যুনিকেসননচিংবা মপুং ওইনা পায়খৎকনি হায়রদুনা মিসন অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংনা মপুং ফানা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ওফিসার এ এস রোবিন্সন, আই সি পি এসকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার এন জি লম্ভোনি দেবী, সি এ এফ এন্দ পি দি দিপার্টমেন্টকী ইন্সপেক্টর আর এন নরাইপম, জেদ ই ও তমেংলোং গাইদোনলুং, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী আর ও হিটলর, পি ঐচ ই দিগী এ ই গাইজেনলুং গাংমৈনচিংবনা মখোয় মখোয়গী দিপার্টমেন্টনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহনখি।

হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল দিপার্টমেন্টনা বেনিফিসরি ৮দা লশিং মরু লেম্না য়েন্থোকখি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টোল হাংদুনা স্কিম কয়াগী কান্নবশিং অদুসু মীয়ামদা খঙহনখি হায়রি।

## ষ্টেট একাদেমিগী হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিনবীয়ু ঃ এম এস এফ

*ইম্ফাল, মে ২ ঃ*

কুমজা ১৯৭২দা লিংখৎখিবা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিগী হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং অথুবদা মেনশিনবীয়ু হায়না মণিপুরি ষ্টুদেন্ট ফদরেসন (এম এস এফ)না সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পুক্নিং চীংশিনখ্রে।

এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরী তাওরেম মার্জিৎ খুমননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা একাদেমি অসি ঙসিদি অৱাৎপনা পিক থল্লে। চহী খরগী মমাঙদা একাদেমি অসিগী বজেট লুপা ক্রোর ১.৪৩ ওইরম্বদু ঙসিদি লুপা ক্রোর ১দা হন্থহনখিবা অসিনসু অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহনখিবনি।

একাদেমি অসিগী চেয়ারমেননা মণিপুরগী গভর্ণরনা ওইরি। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টরনা সেক্রেটরী ইন চার্জনি। মপুং ফাবা সেক্রেটরী অমা হাপ্তুনা এদমিনিষ্ট্রেসনদা অহোবা লৈরিবসি মেনশিনবা য়ান্নবা সরকারনা হোৎনবিফম থোকই। ফুল টাইম সেক্রেটরী অমা হাপ্নবা একাদেমি অসিগী রুলস এন্দ রিগুলেসনদসু চপ চানা লম্বী পীরি। চহী খরগী মমাঙদা তোঙান–তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং দাউনসাইজিং তৌদ্রিঙৈ মতমদা একাদেমি অসিগী অপুনবা ষ্টাফ ৬০গী মথক্তা লৈরম্মী অদুবু দাউনসাইজিং মতুংদা ৪০ মুক লৈখি। অদুগা হৌজিক্লা শুপ্নতগী ষ্টাফ ১৯না চাওরবা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা মায়পুননা থবক তৌরিবা একাদেমি অসি মথৌ তৌরি।

এল দি সি অমখক্তদমক লৈরি। য়ু দি সি অমদি চৌকিদারনচিংবা য়াওনা পোষ্ট ২০গী মথক্তা হাংদুনা লৈরি। আর্ট, কলচর অমসুং স্পোর্টসনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লি অমদি লমদম অসিগী ইজ্জৎ পুরক্লি হায়না মিনিষ্টর এম এল এ কয়ানা থৌনা ফনা লাউদুনা লৈবগী মহুক্তা হৌজিক ওইরিবা একাদেমি অসিগী ফিভম অথুবদা য়েংশিন্দুনা মতিং লৈবা একাদেমি অমা ওইহন্নবা হোৎনবিগদবনি। লৈবাক অসিগী অমদি মণিপুরগী মিংচৎ পুরক্লিবা আর্ট এন্দ কলচরবু মপুং ফানা শৌগৎপিগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ক্ষেত্রিগাওদা ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ২ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎপা কিষান কল্যান কার্যশলা হায়না মিংথোনবা প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাও ব্লোক্কী মনুংচনবা ইমা নোংমাইরেম্বী কম্ম্যুনিটি হোলদা লৌমীশিংগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

এগ্রিকলচর টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস, ইম্ফাল ইষ্ট অনী খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অদুদা মৱূ–মরাং লৈনবগীদমক ফার্মর্স ইন্টরেষ্ট গ্রুপশিং (এফআইজি) অমসুং কম্মোদিটি(সিআইজি)শিংদা লুপা লিশিং ১০ / ১০গী শেনফম চ্যেক ওইনা লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি। মসিগী মথক্তা টোপ ময়াই লৈকাইদা ঙানু, য়েননচিংবা য়োকপগী ফার্ম স্কুল অমা টোপ ময়াই লৈকাইদা হৌদোক্তুনা থৌরমদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবী টোপ দুশরা গ্রাম পঞ্চায়টকী ময়াংলম্বম সুরবালা দেবীনা প্রোগ্রেসিভ ফার্মরশিংদা য়েন্নাওশিং য়েন্থোক্তুনা হৌদোকখি।

থৌরমদুদা লৌমী ১৫০ রোম অমদি লৌমীশিংগী ক্লব, এনজিওশিং অমদি অতৈ লৌমী গ্রুপশিংসু শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

## ফুটপাঠ মথক্তা হৈ য়োল্লিবশিং চাইখায়দুনা মাংহন...

মীয়াম চৎনগদবা ফুটপাঠ অমা ওইরিবা লম্বী অসিদা মতম মতমগী পানখিবা লৈঙাকশিংগী অশোয়বা খোঙথাংশিংদগী ঙসিদি ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি। মসিনা মীওইবা খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা চাউনা শোকচিনহল্লি।

খ্বাই কৈথেলদা নোংমগী চারা তানলিবা ইমা ইবেলশিংনা লম্বীগী মতায়দা লৈজবা মনা মশীং খরা থারগা য়োনবা মতমদদি পুলিস লাক্তুনা তানখায়বা, পোৎ চৈ কাউখায়বীবা, য়াম্না মীনুংশি হৈতবা থৌওং কয়া চত্থরবসু নন লোকেলশিং অসিনা অসিগুম্বা মফম অসিদা পোৎ য়োনশিনবদা করিসু হায়দনা লৈরি।

ঙসি চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না চংশিনবনি। মসিদা জোইন্ট কম্মিতি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম ষ্টুদেন্টস ৱিংনা মীয়ামগীদমক লেপ্পি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা মরি লৈনবা অমদি হৈরা য়োল্লিবশিংদা মতম পীদুনা হোংদোকখিনবা হায়খিবা লৈখ্রে। মদুদা তাবিদবদগী ঙসিগী খোঙজং অসি চংশিল্লকপনি হায়না মঞ্জিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এক্সিদেন্টতা ২শিরে অনী শোক্লে

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি শক্তিমান অদুগী দ্রাইভর লোংমাই পার্ট–৩দগী খুন্দাইগা কামশোন (৩৩) অপোকপা মৈঙুন এলাইজ কলানচুং কামশোন অমসুং হায়রিবা খুঙ্গং অদুদগী অনিয়াম রুৱাংমৈ (৩৫) অপোকপা খাংশিনলুংনি।

থৌদোক্তুদা শোকপদগী লায়কন্নরিবশিং অদুনা ফাইলোং ভিলেজদগী গোংগাপৌ পানমৈ (২৮) অমসুং নোনে পার্ট–৩দগী লনাইলুং কামৈ (২০) অপোকপা কজাইপৌ কামৈনি হায়রি।

## ফাইয়র সব–ষ্টেসন ১৪ শাননবগী মফম খঙদোকপা...

ইনফ্রাষ্টকচর অমদি মেনপৱারগী অৱাৎপগী মতাংদা পল্লদুনা আরকে মেমেনা হায়, ফাইয়র সার্ভিসকী মোডর্নাইজেসন তৌননবা ফাইয়র এপারেল, গম বুটনচিংবশিং লৈশিনবা অমদি অৱাৎপা মেনপৱারশিং হাপচিন্নবগী অয়াবা পীরকখ্রে অমদি মসিগী মরীক চুম্বা দিপিআর সরকারদা অথুবদা পীশিল্লগনি। ফগুগী অৱাৎপা লৈখিবদগী ইম্ফাল সিটিগী মার্কেট এরিয়াদা ৱাটর হাইদ্রেন্ট পানবা লেপখিবদু অনৌবা ডিপিআর শেম্বা অসিদা হাপ্লগনি।

অনৌবা ইন্দষ্ট্রি অমদি দুকানশিং শেমগৎপদা লাইসেন্স লৌনবগীদমক ফাইয়র ফাইট্টিং টুলশিং লৈরে হায়না খঙননবা এনওসি অমা লৌবা তঙাইফদে। ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা দুকানশিংদা ফাইয়র ফাইট্টিং টুলশিং লৈব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা অখন্নবা দ্রাইভসু চত্থবা হৌখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী মায় পাকপশিং ফোঙদোক্লদুনা হায়, মমাংগী চহীদা তাকয়েল ইন্দষ্ট্রিয়েল এষ্টেটতা মৈহৌ লালংপোক থোকপদগী অচৌবা মাং তাকপা থোক্লম্বা য়াবদগী মতম চানা কলহৌখি। মসিগী মথক্তা চহী অসিগী অঙনবদা ম্যান্মারগী তায়নবা নম্ফালোংদা মৈহৌ লাংপোক থোকপদসু রিইনফোর্সমেন্ট থাখি।

খুদক্তা ১০১ নৎত্রগা ৮১৪৫৯২৫২০০দা ফোন তৌরকপা, মৈ চাক্কনবা পোৎ লৌথোকপা, ফাইয়র টেঙ্কারশিং চৎহলনবা লম্বী থাদোকপীবা, ঈশিং মরাং কায়না ফঙবা মফমশিং খঙদোকপীবনচিংবশিং য়াওনা মীয়ামদা এৱ্যারনেস পীবদা মেডিয়ানা মতেং পাংবীনবসু ডাইরেক্টরনা আপিল তৌখি। দিপার্টমেন্ট অসিনা ক্লবশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা এৱ্যারনেস পীননবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর ফাইয়র সার্ভিসকী ডিভিজনেল ওফিসার এল নবচন্দ্র সিংহসু শরুক য়াখি।

## দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন ফাজিনখিবগী মায়োক্তা...

পুলিসনা মরাল লৈবা মীওইশিং অদু পুথোকপা ঙমদ্রগা মরাল লৈজদবা দ্রাইভর হেন্দিমেন ফাজিনবা অসি য়াবা ঙম্লোই। পোৎ অদুগী অশেংবা মপু পুলিসনা পুথোক্লবা হোৎনবীয়ু। নোংমগী শুরগা চারা তাঞ্জরিবা লায়রবা দ্রাইভর হেন্দিমেনবু পোৎকী মপু পুথোকপা ঙমদে হায়দুনা অৱাফমদা তাহনবা এম এস দিদা থবক তৌরিবা দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিংনা য়াবা ঙম্লোই। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ফাজিনখিবা দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন থাদোক্ত্রিবা ফাওবা গারী থৌবা লেপ্পগী খোঙজং চংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচানা হৌখিবা এপ্রিল ২৭ তা দাইরেক্টর মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টতা ইরকপা চেরোল অমদা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন চার্জনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না এপ্রিল ২৬ তা এস অজিৎ অমসুং রোবার্ট হানপী সিমতে অনি অসি এফ আই আর নম্বর ১৩(৪)২০১৮ টিপিএল–পিএস য়ু। এস২১(সি)এন দি এন্দ পি এস এক্টকা মরি লৈননা ফাখি।

নুমিৎ অদুদা এম এস টি বস নম্বর এম এন০৬ বি ০৫০০ অসি তেংনৌপল চেকপোষ্টতা ফ্রিস্কিং এন্দ চেক্কিং চত্থবা মতমদা মপু খঙদবা ষ্টোরেজ ৱারদ্রোপ কার্টুন বোক্স অমদা ব্রাউন সুগরনি চিংনবা পেকেট ২৮ য়াওরম্বা থেংনখি। গারী অদুদা য়াওরিবা মীপুম খুদিংমক মতম চংনা ক্রোস চেক্কিং তৌরবা ফাওবদা পোৎশক অদুগী মপু খঙবা ঙমখিদে। দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেননা পোৎলম অদুগা লোয়ননা ময়ায় কাবা চিঙ্গাকশিং অদুগী মপু তাকপা ঙমখিদে। মরম অসিনা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক পোৎলম অদুগা লোয়ননা বস অমসুং মীওইশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

## সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ৱাখল মান্নবা মহৈরোই লুপশিং পুনশিন্নবা হোৎনগদৌরি

*ইম্ফাল, মে ২ ঃ*

সাউথ ইষ্ট সব কন্টিনেন্টতা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মহৈরোইশিং পুনশিন্দুনা অকনবনা অশোনববু তুহৎপিবগী লৈঙাক অসিদগী কলহৌনবা এন্টি–ইম্পরেলিষ্ট মুভমেন্ট চঙশিন্নবা শেম শাবা হৌরগনি। লোয়ননা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা সাউথ ইষ্ট সব কন্টিনেন্টকী ৱাখল মান্নবা মহৈরোই লুপশিংগী জোইন্ট বোদি অমা শেম্লগনি হায়রি।

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা লৈবা সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মে দে থৌরমদা য়ুনাইটেদ ষ্টুদেন্টস দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট (য়ু এস দি এফ) কোলকতাগী থৌমী দেবোপ্রিয়া সোমি অমদি নবোট্টমা পাল, ওল নেপাল নেসনেল ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন–রিভোলুসনরি (এ এন এন আই এস য়ু– আর)গী থৌমী রাম নেপালি অমদি কেসাল দাহলসু শরুক য়াখি।

এ এন এন আই এস য়ু–আরগী জেনরেল সেক্রেটরী রাম নেপালিনা পাউমীশিংদা হায়, ঐখোয় পুম্নমক্কী ফংফম থোকপা ক্বালিটি এদুকেসন ফংননবগীদমক ৱাখল মান্নবা লুপশিং পুনশিন্দুনা মহৈরোইশিংবু শেন্দাল লম্বী ওন্থোকপা অমদি প্রাইভেটাইজেসন তৌরকপগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা মথৌ তাই।

## মোরেগী য়ুম মৈ চাকপদা মতেং লেপ্তনা পাঙনরক্লি

*মোরে, মে ২ ঃ*

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরে ৱার্দ নম্বর৩ প্রেম নগর লৈকাইদা মমাঙ থাগী ১৯দা থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক্তা য়ুম ৮ মৈনা তুম্না চাকখ্রবা মতুং লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংনরক্লি।

প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজাবেসন কমিতি মণিপুরনা সি আই সি টিন বান ১০, চেঙ বেগ ৭, এ দি সি চান্দেলগী চেয়ারমেন লুখোসৈ জৌনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা লৈনবা কা অমা অমদি মণিপুর মুস্লিম কাউন্সিলনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ওল কম্ম্যুনিতি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে, মৈতৈ কাউন্সিল মোরে, মণিপুরী মুস্লিম কাউন্সিল মোরে, হিলস ত্রাইবেল কাউন্সিল মোরে, টামিল সঙ্গম মোরে, খা নোংপোক অপুনবা নুপী লুপ মোরে, নুপী খুন্নাই চাওখৎ লমজিং লুপ মোরে অমসুং মোরেদা লৈবা তোঙান–তোঙানবা কম্ম্যুনিতিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## মণিপুরদা মতিক চাবা ষ্টেট টিবি ওফিসার লৈত্রবদি টিবি লায়না...

নেসনেল হেল্থ মিসনগা কুমজা ২০১৪দা আর এন টি সি পিগা পুনশিনখিবদগী প্রোগ্রামগী ফন্দ অমসুং ষ্টাফশিংগী ফঙফম থোকপা থাগী তলবশিং মতম চানা ফংবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৬তা আর এন টি সি পিগী সেঙ্কসন পোষ্ট খরা ষ্টেট হেল্থ মিসননা লৌখি। হায়রিবা ষ্টাফশিং অসিগী সেন্ত্রেল টি বি দিভিজননা পীবা আর ও পিগী তলব অদু মণিপুরগী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী পি আই সিনা পিবা বেসিক পে অদুদসু চপ মান্নবা পোষ্টতা খেন্নবা লৈরি।

অনৌবা ষ্টাফশিং অসিগী ফংফম থোকপা পে অদুগী অৱাৎপা শরুক অদু পি বি ঐচ (পার্ফোমেন্স বেজ ওনোরেরিয়ম)না মেনখৎকদবনি। অদুবু হায়রিবা ষ্টাফশিং অসিগী পি বি ঐচ পীথোক্তুনা লৈরিবা অসি ষ্টেট টি বি ওফিসারনা ইচংথৌনা নেসনেল হেল্থ মিসনগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা কুপ্পা খন্ন–নৈনবা ৱাৎপদগী হায়না য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী প্রেস কনফরেন্স অদুদা ফোঙদোকখি।

অনা লায়েংগীদকম লৈরিবা আর এন টি পিগী কনষ্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংনা মখোয় মখোয়গী মথৌদাং অদু থৱায় হকচাং য়াওনা তৌহন্নবগীদমক পীফম থোকপা চাদ ৫গী ইনক্রিমেন্ট, ৱাৎহৌবা থাশিংগী তলব, অনৌবা ষ্টাফশিংগী পি বি ঐচ অমসুং ইনক্রিমেন্ট লোয়ননা এক্সটেন্সন তৌবা মতমদা অনৌবা অমসুং অরিবা খাইদনা পুন্না তৌবা য়ারগনি হায়বগী অইবা থাজবা অমা পীবিরবদি চত্থরিবা ষ্ট্রাইক অসি খুদক্তা লোইশিনগে হায়না য়ুনিয়নগী সেক্রেটরীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## জগদিস মুখিনা এডিস্নেল চার্জ ওইনা মণিপুর গভর্ণরগী থবক পুখ্রে

মফম অদুদা গভর্ণরবু জেনরেল সেল্যুট পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা গার্দ ওফ ওর্নর অমসু য়েংখি। লোয়ননা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরিশিং য়াওনা লুচিংবা কয়াগা শকখঙ মায়খঙনবগী থৌরম পাঙথোকখি। মদুগী মতুংদা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

প্রোফেসার জগদিস মুখি ইং ১৯৪২গী দিসেম্বর ১ দা দাজলদা পঞ্জাবী হিন্দুগী ইমুং অমদা পোকখি। মহাক রাজষ্ঠানগী অলৱারদা লৈবা রাজ রিসি কলেজদগী ইং ১৯৬৫ দা বি কোম লোইশিনখি। ইং ১৯৬৭তা দিলি য়ুনিভর্সিটিদগী এম কোম লোইশিনখি। মহাক্না পোলিতিক্সতা চংদ্রিঙৈদা দিলি য়ুনিভর্সিটিগী সাহিদ ভগৎ সিংহ কলেজদা প্রোফেসার ওইরমখি। মদুগী মমাংদা মহাক আই পি এস ওফিসার অমা ওইরম্লবা মতুংদা ত্রেনিং লোইরবা মতুংদা ফম থাদোকখিবনি।

মহাক ইং ১৯৮০ দা দিলি মেট্রোপোলিতান কাউন্সিলগী মরক্কী মীখলদা ইহান হানবা ওইনা মায় পাকখি। মহাকপু দিল্লি বিধান সভানা খ্বাইদগী ফবা এম এল এ মীংথোল অনিরক পীখি।

মহাক জানকপুরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী ইং ১৯৮০দগী থংননা ৭ লক এম এল এ ওইনা মায় পাকখ্রে।

## চাদ ৭৮.৭৮গী চাংদা মিজল–রুবেল্লা...

অসিগীসু মথক্তা অনৌবা থৌরাং অমা হৌদোক্তুনা মায় পাক্লা পায়খৎনবা অচেৎপা ফিরেপ লৈরে।

পাউমীশিংগা উন্নবদা পিসি এন্দ পিএনদিটিগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা জোইন্ট দিরেক্টর টিঐচ অরুনকুমারসু শরুক য়াখি।

## গভর্ণমেন্টনা রোয়েলটি লৌরোই...

পনবা য়াবদি, গভর্ণমেন্টকী আইটেম নম্বর– ৫৮দা য়াওরিবা ক্বা মনা মখলশিং অসিদা লৌফম থোক্তবা রোয়েলশিং লৌরে হায়দুনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিশন (সি) নম্বর–২৪ ওফ ২০১৮ ফাইল তৌরক্তুনা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্টকী থৌওং অসিবু শীংনরকখিবনি।

পিটিশন অসি তোঙান–তোঙানবা পিটিস্নর অহুম্না ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরী য়াওনা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট য়াওনা ওফিসিয়েল অহুমগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অসিগী হিয়ারিং এপ্রিল ৬,২০১৮দা জষ্টিস কেঐচ নোবিনগী কোর্টতা চত্থখিবদা, পিটিশ্নরশিংগী মায়কৈদগী বেঙ্ক গেরেন্টি ওইনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্টার জেনরেলগী মিংদা লুপা লাক্ষ মঙা দিপোজিৎ তৌরবদি ক্বা মনাশিং অসিদা ওক্টোবর ২৯,২০১৬কী গভর্ণমেন্টকী নোটিফিকেশন অমগী মতুংইন্না লৌরিবা রোয়েলিটিশিং অসি চৎহন্দনা থম্লে হায়দুনা খঙহনখিবনি।

কোর্টকী দিরেক্টিভ অসিগী মতুংইন্না পিটিস্নরশিংনা শেনফমসি দিপোজিৎ তৌবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু এপ্রিল ১৩,২০১৮দা অন্দর সেক্রেটরী এ হীরানা আইটেম নম্বর–৫৮দা য়াওরিবা ক্বা মনাশিংদগী রোয়েলটিশিং লৌররোই হায়বগী ওর্ডর অমা থোকখ্রবনি।

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী কৈখু হাও ভিলেজদা লেম্না গ্যাস কনেক্সন পীখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২ ঃ*

ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসি মৈখু চেন্দবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দমদা উজ্জালা স্কিমনচিংবা পায়খৎলিবসিগী শরুক অমা ওইনা মরিপুরদসু অহানবা ওইনা ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী কবুই জাতীনা খুন্দারিবা কৈখু হাও হায়না খঙনরীবা কৈখু হাও ভিলেজদা আর বি দি ইন্দেন সার্ভিসনা য়ুমথোং কয়াদা লেম্না গ্যাস কন্নেক্সন পীদুনা খুল অসি অহানবা মৈখু চেন্দব খুঙ্গং ওইহনখ্রে।

পুন্না য়ুমথোং ১২৫ রোম লৈরীবা কৈখু হাও খুল অসিদা ঙসি আর বি দি ইন্দেন সার্ভিসকী প্রোপ্রাইটর গুরুময়ুম রোবীন্দ্রো শর্ম্মনা কন্নাহোৎনদুনা ইন্দেন অসিনা 'গ্রাম শ্বারজ অভিয়ান সবকা সাথ সবকা গাও সবকা ভিকাস হায়রিবা ভারত সরকারগী থৌশিল থৌরাং অসিগী মখাদা খুল অসিদা গ্যাস কন্নেক্সন লৈত্রিবা মীপুম খুদিংদা লেম্না গ্যাস কন্নেক্সন পীবগা লোয়ননা গ্যাস সিলিন্দর, গ্যাস প্লেট, রিগুলেটর অমদি গ্যাস পাইপনচিংবা পোৎলমশিং লেম্না পীদুনা খুল অসি মণিপুরদা অহানবা ওইনা স্মোকলেস ভিলেজ ওইহনখিবনি।

থৌরম অসিদা এন ইন্দ্রজিৎ এম এল এ ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্র, ও লক্ষ্মন সিংহ প্রসিদেন্ট বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দল, কে চাওবা সিংহ বি দি ও ক্ষেত্রিগাও, পাত্রিক গোলমৈ প্রধান নহারুপ জি পি অমদি কবুই খুনগী খুনপু পানমৈ ইঙেনচাওনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি ইকায়খুম্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

আর বি দিগী প্রোপ্রাইটর গুরুময়ুম রোবিন্দ্রো শর্ম্মনা হায়, ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা মপুং ওইনা তেংবাং পীবিদুনা খুল অসি মৈখু চেন্দবা খুল অমা ওইহন্নবা হোৎনবনি। হায়রিবা খুল অসিদা চাওরাক্ন য়ুমথোং ১১৮গী মথক্তা লৈ। মসিগী মনুংদা য়ুমথোং ৫০ রোমদি হান্ননা গ্যাস থেংলম্বা লৈ। ৱাৎহৌরিবা গ্যাস থোংলমদবা য়ুমশিং অসি ইন্দেন অসিনা মপুং ফানা ভেরিফিকেসন তৌদুনা এম এল এগী খুত্থাংদা গ্যাস কনেক্সন অসি লেম্না পীবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ভিলেজ অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না স্মোকলেস ভিলেজ হায়বসি করিনো খঙলমদে। অদুবু আর বি দি ইন্দেগী থৌমীশিংনা কন্না হোৎনদুনা মসিগী মরমদা খঙহনখি। লোয়ননা মৈখু থোকহনবনা ফংবা কান্নবা অমদি কান্নদবশিংসু মীয়ামদা খঙহনখি হায়না ফোঙদোকখি।

এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়, কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈরিবা খুল অসি হৌখিবা মতম কয়াদগী হিরম কয়াদা শোত্থদুনা লাক্লি। মমাংগী কংগ্রেস সরকারগী মতমদগী ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রদা কবুই জাতিগী খুন্দাবা কৈখু কবুই খুল (কৈখু হাও)সি লৈব্রা হায়না হংনরিবনি। কেন্দ্র অসিগী ওইনা চাওখৎ–থৌরাং পায়খৎপদসু খুল অসি য়াওনা মচাহল অমসুং কালিকা খুলসি হেক্তা চিংখরম্মী। মসিদগী মহাক্না বি জে পিগী টিকেটতা এম এল এ ওইরকপদগী খুলশিং অসিদা অহানবা ওইনা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলকপনি। মখা তানসু পায়খৎখিগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইনা মণিপুর নৎত্রগা সমাজ অমা চাওখৎপা হায়বসি চীং–তম, খুঙ্গং–সহর থোং মান্ননা চাওখৎপা তাই। অদুনা খেন্নবা লৈতনা চাওখৎমীন্নসি হায়রবদি ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রদা লাইরবা লৈতবা তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## স্পিসিয়েল দিসএবলশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২ ঃ*

মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট দিভলপমেন্ট ওফ দিসএব্লিটি এফিয়াস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেঙ্ছং মখাদা লংথবাল কেন্দ্রগী মনুং চনবা হিয়াংথাং মখা লৈকাইদা টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুট এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিস মণিপুরনা শিন্দুনা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা না তাদবা, মীৎ উদবা অমদি লোকোমোটিব দিসএব্লিটিনচিংবা মীওই ৫০ রোম হেনবনা শরুক য়াখি। লোয়ননা গার্দেনিংগী লমদা খঙ হৈরবশিং অমদি স্পিসিয়েল এদুকেটরশিংনা শরুক য়াখি।

টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুট এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিস কী সেক্রেটরী ব্রোজেন শর্ম্মনা হায়, দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংনা ঙমজবা চাংদা শেন্থোক লৈনা হিংজবা ঙম্নবগীদমক ঙসিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা মফম অসিদা চুশিন্নগনি খন্দুনা গার্দেনিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রামসু হৌদোকখিবনি।

লম অসিদা হেন্না খঙ–হৈরবা কয়া লাক্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা হেন্না খুৎমাং চাওশিন্ননবা হোৎনমিন্নসি। গার্দেনিং খক্তা নত্তনা অতৈ হিরম কয়াদসু অঙম্বা মতেং পাংগনি। ভারতকী ওইনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্লখিবগা লোয়ননা মায় পাকখ্রবা মীওইশিংগী মরমদা খন্ন–নৈনবগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মপুং ফানা শরুক য়াদুনা মীপাল তাংদনা হিংনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি। লোয়ননা চহি মঙাগী মখাদা লৈবা মখল খুদিংগী দিসএব্লিটি অঙাংশিংগীদমক শীংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবা দি এস প্রি স্কুল অমদি ইর্লি ইন্টর্ভেন্সন স্কুলশিং অসিদা লেম্না মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা পীরি। খোঙমনদা লৈবা ধনঞ্জয় ফিজিকেল হেন্দিকেপ রেসিদেন্সিয়েল ইংলিস স্কুলদা চহী ৫গী হেনবা মখল খুদিংমক্কী দিসএবলশিংনা লেম্না মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা পীরি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৌরেম্বম মমাঙ লৈকাইদসু ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখি।

## ওল পুখাও ক্লব য়ুনিয়ন অমদি ওল পুখাও জি পি ৱুমেন জোইন্ট এক্সন কমিতি শেমখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১ ঃ*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী পুখাও এরিয়াগী ক্লব তরেৎনা পুল্লগা ওল পুখাও ক্লব য়ুনিয়ন অমদি নুপীশিংগী ওইবা ওল পুখাও জি পি ৱুমেন জোইন্ট এক্সন কমিতি তোঙান–তোঙান্না শেম্বগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শান্নবা মখা তানা পুন্না খোঙজং চঙশিনমিন্ননবা ৱারেপসু লৌখ্রে হায়রি।

পুখাও মখা লৈকাইদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙরাংপাঙথোকখিবা অপুনবা মীফমদা নৌনা শেমখিবা ওল পুখাও ক্লব য়ুনিয়নগী এদভাইজর নাওরেম নাগেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা ভি দি এস সি পুখাও লাইফম, পি জে পি সি পুখাও খাবম, জি এস সি পুখাও অহল্লুপ, এফ আর সি পুখাও নহারুপ মখা লৈকাই, আর পি ৱাই সি পুখাও নহারুপ অৱাং লৈকাই, এন দি ৱাই সি পুখাও তেরা অমদি দি দি ৱাই সি পুখাও দোলাইথাবীনা পুন্না য়ুনিয়ন অসি শেমখিবনি।

য়ুনিয়ন অসিনা মতম মতমগী থোক্লকপা থৌদোক–ৱাথোকশিং, পায়খৎকদবা চাওখৎ থৌরাংশিংদা শরুক য়াগনি। তৌইগুম্বসুং কমিতি ওন খুন্দ্রাকপম এন্দ সাইকুল কেন্দ্র এগেন্স অন জষ্টিফাইট ওফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ফ্রোম শগোলমাংগা হিরম অমত্তা মরী লৈনদে। অদুবু হোস্পিটাল শগোলমাংদগী হোংবা য়ারোই হায়না শেমখিবা জে এ সিনা লৌরকপা ৱারেপশিংদি শৌগৎকনি অমসুং পুন্না চৎমিন্নগনি। জে এ সিগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা মমাঙদা ৱারি শান্নখিবা মতমদা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শান্নবগী থাজবা পীখিবা অদুগী মায়োক্তা অতোপ্পা খোঙথাং অমা লৌরক্লবদি য়ুনিয়ন অসিনা জে এ সিগা লোয়ননা থেংনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওল পুখাও জি পি ৱুমেন জোইন্ট এক্সন কমিতিগী সেক্রেটরী এন বিমোলানা পাউমীশিংদা হায়, জে এ সিগা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নরুবদা মতম খরা ঙাইখিসি হায়খিবনি। হেল্থ মিনিষ্টরনা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শারগনি হায়রবদি মদু তরাম্না ওক্কনি। করিগুম্বা ওন্ন–তৈনবা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লাক্লবদি থৱাই হকচাং য়াওনা অকন্নবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## জিরিবামদা লিদরসিপ ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২ ঃ*

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাবুপারাদা লৈবা কম্ম্যুনিতি সেন্টরদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না থা অসিগী ২৮দগী চত্থরকপা নুমিৎ ৩নিগী লিদরসিপ ট্রেনিং লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার জিরিবাম রোবার্দ ক্ষেত্রিময়ুম (আই এ এস)না অথোইবা মীথুংলেন, কাদাগী প্রিন্সিদেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা থৌরম মপু অদুগা এস দি পি ও জিরিবাম আর কে চার্লেস (এম পি এস) অমসুং জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট হুইরেম ওংবী মেমানা পুন্না ইকাই খুম্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি। লোয়ননা নেসনেল এৱার্দি টেকচম রামেশ্বর অমসুং জিম্পালগী এদভাইজর বি সরত শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল দিপঞ্জিৎ নিংথৌজমনা থৌরমসিগী মচং ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, লমদম অসিদা তোঙান–তোঙানবা নিষা মখলশিং থিংনবা এক্ত কয়া লৈরবসু দ্রগ লল্লোনবশিংগী মশিং নোংমা–নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা নহারোল কয়ানা পাক শন্না নিষা শীজিন্নরকপা কয়া অসি গভর্ণমেন্টকী লো ইনফোর্সিং এজেন্সি খক্তদা ইন্থোক্তুনা থম্বা য়ারক্তে। মরম অদুনা কাদানা অৱাবা কয়া মায়োক্নরবসু হনবা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা অমসুং সরকারগী মেছিন্নরিশিংগসু পুন্না চঙশিনমিন্নবা তঙাই ফদে হায়খি।

আর কে চার্লেস (এম পি এস)না হায়, কাদানা শিন্দুনা চত্থরক্লিবা লিদরসিপ ট্রেনিং কেম্প অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওই। লমদমসিগী নহারোলশিংদা দ্রগ অমসুং অলকোহোলনা মাংহল্লক্লিবশিং অসি থিংনবা পুলিস, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিং পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাই ফদে। লোয়ননা জিরিবামগী ওইনা পুলিসনসু খোঙথাং কয়া লৌখৎপা হৌরে হায়খি।

রোবার্দ ক্ষেত্রিময়ুম (আই এ এস)না হায়, মণিপুরদা হৌজিক নিষানা ওইহল্লক্লিবা ফিভম অসি য়াম্না ৱাংবা থাক অমদা লৈরে। আই এ এসকী ইন্টরভ্যু ফম্বদা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী মফমশিংদা য়ুনা শোকহল্লিবশিং মতৌ করম্না সোল্হ তৌগদগে হায়বা ৱাফম হংলকখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অপুনবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা অফবা লুচিংবা, অফবা মমা–মপা য়াম্না মথৌ তাই। নিষা শীজিন্নবা হায়বসি য়ুমদগী হৌরকই অদুনা য়ুম য়ুমগী লিদরশিংদু অফবা অমা ওইরবা মতমদতা অফবা ইমুং অমা ওইরকই। অফবা ইমুং অমনা অফবা লৈকাই শেম্মী অমদি অফবা সোসাইটি অমা ওইহল্লকই। তিন্নেজর মতমদা লৈরিবা নহাশিংগী পুন্সি অসি নৈনবা মথৌ তাই। ওফিসিয়েল লেভেলদা ইন্দিভিজুয়েল লেভেলদা দেদিকেসন অমগা লোয়ননা পুন্না নিষাগী মায়োক্তা চঙশিনমিন্নবা য়াম্না মরু ওই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়, ঙসি ঐখোয়গী লমদম অসিদা নিষানা মরম ওইরগা খুৎশেমগী ওইবা লুখ্রাবী মশিং হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা মসি থিং হৌদ্রবদি খুন্নাই অসি অরুবা তাঙ্কক অমদা লাক্লগনি। লোয়ননা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী নহারোলশিং কলহৌদবা য়াদে হায়খি।

লমায় ১ গী মখা

## জেদ য়ু এফ ফেক্সন মশেল খূৎ থোক্লবদা নাকল...

অদুগা লালহৌলূপসিগী কামজোন ফেক্সনগীনা নোনে (লোংমাই) পার্ট–থ্রিদগী গাইশিং দুৱন অপোকপা লানবমলুংসু নোংমৈনা পান্দুনা শিখি হায়রি।

লোয়ননা য়ুজি গ্রুপসিগী জেনচুই ফেক্সনগী কাদরশিংদগী কামসোন ফেক্সনগী কাদরশিংনা একে সেরিজগী নোংমৈ অনী অমসুং ঐচকে–৩৩ এসোল্ট রাইফল অমা নমদুনা মুনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী ২০০৬ অদুৱাইদগী শাফোঙলকখিবা জেদয়ুএফ অসি ২০১৬তগী ফেক্সন অনী থোক্লা খায়দোরক্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকখিবনি।